HUEIYEN LANPAO
Messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও



ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থোঙাম মঙ্গিনা দিসএবল্দশিংবুসু কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়দুনা শিংজমৈ হাও গ্রাউন্দ মনাক্তা পাঙথোকপা থৌরমদা তেংবাঙখিবা

লামায় ৫

থৌনাওজম বৃন্দাগী ক্রিমিনেল পিটিসন হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে
লামায় ৩

কোভিদকী এস ও পি ঙাক্তবশিংদগী লুপা লাখ ২ রোম ফাইন থিহনখ্রে
লামায় ৪

পান্দমনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপগী ড্রাইভ কনশিনগদৌরি
লামায় ৫

জ্রেল ওফ ইন্দিয়া এৱার্দ পীরকখ্রবা থিয়াম নিলামনি তরাম্না ওকখ্রে
লামায় ৫

এপ্রিল ২৯, ২০২১দগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী এরিয়াশিং অমসুং গ্রেটর ইম্ফালবু খুদক্তগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইহনখিবদগী ময়ুম মায়কৈ পাংলিবী কৈথেল ফম্বী নুপী অমগী শক্তম



Vol. 45, Issue No. 036 | থাংজ, শজিবু ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, May 01, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### লুখোসৈ জৌ য়াওনা মীওই ৭ এক্যুইট তৌখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর

# আপীল ফাইল তৌবদা অয়াবা পীবীয়ু হায়বা প্রেয়র হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) : লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরনা দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা পীখিবা স্পেসল ট্রাইয়েল কেস নম্বর- ১০০ ওফ ২০১৮গী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা হান্না চান্দেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌ য়াওনা নার্কোটিক এন্দ এফেয়ার্স ওফ মোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনননা এক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবা মীওই ৭পু এক্যুইট তৌখিবগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌবদা অয়াবা পীবীনবা তৌখিবা প্রেয়র হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিসমিস তৌখ্রে।




স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরনা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা আপীল ফাইল তৌবদা অয়াবা পীবীয়ু হায়দুনা প্রেয়র তৌখিবা আপীলেন্ট (এপ্লিকান্ট)শিংনা শিংজমৈ চিংঙামথক্তগী মাইবম জোগেস (৫০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ইমো, চিংমৈরোংগী লৈ ইংখোলদগী গীতচন্দ্র মঙাং (৩৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি তোমচা মৈতৈ, কাংপোকপীগী আইলেন্দ ব্লোক্কী ঙারুমফুং ভিলেজদগী রমথিং হুংয়ো (৬৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা চাকো হুংয়ো অমসুং ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দগী বল্লু লোইতোংবম (৫০), অপোকপা ডা. এল গৌরগোপালনি।

অপূনবা আপীল্লেন্ট মরি অসিনা মখোয়গী প্রেয়র অদু তোঙান-তোঙানবা রেস্পোন্দেন্ট ৮গী মথক্তা ফাইল তৌখিবনি। রেস্পোন্দেন্টশিং অদুগী মমিংশিংনা মোরে ৱার্দ নম্বর-১গী গঙ্গাম গ্রাউন্দদগী হৌজিক্তা মন্ত্রিপুখ্রিগী ভাইফে ভেংদা লৈরবা তেরেজা এলিয়স নেংবোই ঙাইতে (৫৪), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা লাংলেনখুপ ঙাইতে, ইষ্টর বুংহৈনুৱাম এলিয়স ইস্থর (২২), মপুরোইবা পাওপু ঙাইতে, মন্ত্রিপুখ্রি লম্লোংদগী এম লোরেন্স জৌ (৫০), অপোকপা লুংগিন জৌ, মোরে ৱার্দ নম্বর-২দগী লম্ফেলগী ভি আই পি ক্বার্টর নম্বর-১দা লৈরখিবা লুখোসৈ জৌ এলিয়স সেসৈ জৌ (৫১), অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংমাং জৌ, মোরে ৱার্দ নম্বর-২ গমনোম ভেংদগী মন্ত্রিপুখ্রিগী ভাইফে ভেংদা লৈরখিবা সিয়ানজাথাং জৌ (৩৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা লুমজাপৌ জৌ, নিয়াংকাসুৱান জৌ (৩৫), মপুরোইবা সিয়ানজাথাং জৌ, পাওসুৱানলম জৌ এলিয়স পাওৱি এলিয়স পপাও (৩১), অপোকপা গিনজাদল জৌনি। অদুগা প্রোফোর্মা রেস্পোন্দেন্টদনা ষ্টেট ওফ মণিপুরনি।

আপীল্লেন্টশিং অসিনা ফাইল তৌরকখিবা মখোয়গী প্রেয়র অসিগী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মিসেলিনস (ক্রিমিনেল আপীল) নম্বর- ১৫ ওফ ২০২১ লৌখৎখি। লোয়ননা কেস অসিবু জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা মসিগী হিয়রিংশিং চত্থরকখি। লোয়ননা থা অসিগী ২৬তা ক্রিমিনেল আপীল অসিগী অরোইবা হিয়রিং পাঙথোল্লগা নুমীৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙরাং লাউথোকখিবনি। আপীল্লেন্টশিংনা মখোয়গী প্রেয়র অসি ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী সেক্সন- ৩৭২ অমসুং ৩৭৮(৩)গী মখাদা স্পেসল

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সী এমনা মে দেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) : হয়েং মে দে হায়রগসু খঙনরিবা মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমীৎকী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলসিনা নুমীৎ অসি ৱর্কর অমসুং শিন্মীশিংনা হোৎনজখিবা পুন্নমকপু নীংশিংদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরমনি হায়খি। অদুঙৈ কুমজা ১৮৮৬তা অরানবা লৈঙাক্লোনগী মায়োক্তা শিন্মীশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা হৌরকখিবনি। মখোয়না মখোয়গী রাইটশিং তাল্লকখিবদগী মায় পাকখিদুনা নোংমদা পুং ৮ থবক শুনবগী মতম ফংখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরকপদগী লৈঙাক্লসু

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## মীওই ১ ফারগা পুখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) : ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৩৫ রোম তারকপদা সেনাপতিগী ওল্ড রোদতা লৈবা টেল্লর অমগী মীওই অমা শকখঙদবা মীওইশিংনা কোট অমা তুনবগীদমক মেজরমেন্ট লৌবীয়ু হায়দুনা মহাক্কী টেল্লরদগী পুথোকখ্রবা মতুং অঙৌবা মচুগী ইনি দগো কার অমদা নমদুনা হাপচিল্লগা ফাদুনা পুখ্রে হায়রি।

ফাখ্রিবা মীওই অদুগী মমিং এম দি উমর কৌই। মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরে। য়াইরিপোক ফৌদেন লৈকায়দগীনি। মহাক সেনাপতিগী ন্যু ফেসন টেল্লরদা থবক শুবা য়াওবা মীওইনি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন্স এসোসিএসন্না থাদোরকখিবা চেরোল অমদা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা মহাকপু তেক্ত-কায়দনা থাদোরক্ত্রবদি খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি। এম দি উমর ময়ুম-মকৈ পান্দুনা মচানুপা অমা লৈরবা মীওইনি হায়রি।

# ফর্ষ্ট এম আরদা কোভিদ কন্ট্রোল রুম হাংখ্রে আই এ এস ওফিসর ২না মতেং পাংগদৌরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী লম্ফেলপাৎতা লৈবা আয়ুশ দিরেক্টোরেটকী দিরেক্টর ডা. এ গুনেশ্বরনা ঙসি থোকখিবা নোটিশ অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বক্সেট হোলদা ষ্টেট কোভিদ কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্লে হায়রি।

লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইনা হাংদোক্লিবা কোভিদ কন্ট্রোল রুম অসিগী ইন-চার্জনা হেল্থ সর্ভিসেসকী সুপর ভিজন মখাদা আয়ুশকী দিরেক্টোরেটনা ওইগনি হায়রি। কন্ট্রোল রুম অসিগী মতাংদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ, ফেমিলি ৱেলফেয়র) অমসুং আয়ুশকী এদভাইস মতুংইন্না থেঙ্খাং অনীরক্তা আয়ুশ দিরেক্টোরেট অমসুং হেল্থ দিরেক্টোরেটকী থৌদাং লৌরিবা ওফিসলশিংগা মীফম পাঙথোক্লুনা খন্নরবা মতুংদা নৌনা ফর্ষ্ট এম আরদা হাংদোক্লিবা ষ্টেট কোভিদ কন্ট্রোল রুম অসিনা মায়োক্লরকপা অথুবা থবকশিং অমসুং মথৌ তাবা থবকশিংদা মতেং পাংনবগীদমক টিম অমা শেম্লে হায়রি।

হায়রিবা টিম অসিগী চ্যেরমেননা আয়ুশকী দিরেক্টর ডা. এ গুনেশ্বরনা ওইগনি। মহাক্না কন্ট্রোল রুম অসিগী অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা ওভর ওল সুপর ভিজন তৌবগা লোয়ননা মোনিটরিংগী থবকশিং পাঙথোক্কনি। ভাইস চ্যেরমেননা এন এ এমগী মেম্বর সেক্রেটরি অমসুং এদিসনল দিরেক্টর ডা. এম শ্যামজাইবু খনখ্রে। মহাক্না নুংথিল পুং ৫দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবগী ওভর ওল সুপর ভিজন অমসুং মোনিটরিং তৌগনি। অদুগা কম্মিটি অসিগী কনভিনর হাপ্লবা ডা. এস বিশ্বানাথ (দেপ্যুটি দিরেক্টর)না পুং ২৪ চুপ্না ষ্টোর আইটেম অমসুং অতোপ্পা মথৌ তাবা পোৎলমশিংগী থৌদাং লৌগনি। কো-কনভিনর এস মার্কস (প্রোগ্রাম মেনেজর)না পুং ২৪ চুপ্না পোৎচৈ লৈশিনবা অমসুং সপ্লায় তৌবগী থবকশিংদা মতেং পাংগনি। মেম্বরশিং ওইরিবা এল দিপেননসু হায়রিবা থবক অসি পাঙথোকপগা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## আর দি এন্দ পি আরগী লুপা ক্রোর ৪৮৫গী শেনফম থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) : রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী কম্মিস্নার নিধি কেশরৱানিনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিগী এম জি নরেগাগী ষ্টেট ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি ফন্দগীদমক লুপা ৪,৮৫,৫০,৭৫,০০০.০০গী শেনফমগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ এপ্রুভেল অমসুং এক্সপেন্দিচর সেঙ্কসন তৌরে হায়রি।

শেনফম অসি ফাইনান্সিএল য়র ২০২০-২১গী ৱেজ মেটরিএল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্পোনেন্টকীদমক পীরকখিবা অনীশুবা সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্সকী মনুংদগী অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফমনি হায়রি।

পাউচে পুথোক্লোই
হয়েং মে ১ শিন্মীশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা প্রেস ছুটি ওইগদবনা মে ২গী পাউচে পুথোকচরোই।
- মেনেজর

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.৫৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৮৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.০৫
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### HL Poll

Q: Manipurgi sinmeesinggi fangfam thokpa hak pumnamak leingakna fanghanba ngamle haina louba yaragadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 gi fivam henna sathiraklibasi akanba cheksin thourang loukhatpada ahoba leibadagi oigadra?

Yes 92% No 8%

### অস! লোইরেহে!

- ঐ লাকপসি খরা কান্নরব্রা মহাজোন?



- খরতা নত্তে য়াম্না কান্নরে, কোরোনা সাহেব!

# কোরকোমনা শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ : চহী খূদিংগী মেগী অহানবা নুমীৎ অসি মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমীৎ 'মে দে' হায়না খঙনদুনা লাক্লিবা শেংলবা নুমীৎ অসিদা মালেমগী লৌমী-শিন্মীশিং, মরুওইনা অখন্নবা ইরমদমগী শিন্মী খূদিংমক্তা কোরকোমনা য়াইফ পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা নুমীৎসিগী তাঞ্জা লৌজরগা তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা শিন্থা পাংবীরিবা ইরৈবাক ইরমদমগী শিন্মীশিংদা ৱাফম খরা থম্লক্লি।

ৱাফম অসি কোওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম)গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এম শকহেননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯না পীরকপা চৈথেং অসিনা খ্বাইদগী অৱাবা নংহল্লিবসি শিন্মীশিংনি, মখোয়গী মরক্তগীসু অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবসি মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনি। ইন্দিয়ানা নেসন অমা ওইবগী মপুং ফাবা মচৎ লৈতবনা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ লাকপা মতমদসু মাইগ্রেন্ট ৱর্কর কয়া মখোয়গী পোক্নফম নত্তবা ষ্টেটতগী শা-যন তানবগুম তাল্লকপদগী ইন্দিয়াদা কোভিদকী লাইচৎ পাক শন্না শন্দোরকপগী অচৌবা মরম ওইখি। হৌজিকসু লাইচৎ অসিগী শাথিবা অকনবা অনীশুবা ৱেভ মরকসিদা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর কয়া অতোপ্পা ষ্টেটতগী মখোয়গী মরমদমদা হল্লকপনা লাইচৎ অসি থিংনবা মায়োক্লবদা হেন্না অৱাবা ওইরি। শন্না হায়রবদা, ইন্দিয়াগী মীয়াম্না

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# মণিপুরগী কোর্ট পুন্নমক্কী থবক থৌরমশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমনা গ্রেটর ইম্ফালগী মফম পুন্নমকপু কন্টেনমেন্ট জোন ওইরে হায়দুনা লাউথোক্লুনা অকক্লবা শিনফম খরগী মীওইশিং নত্তনা চৎথোক-চৎশিন তৌবশিং থিংজিনখিবগা ঈরোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মহৌশাগী থবক থৌরমশিং অমসুং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা চত্থরক্লিবা কেসশিংগী হিয়রিং পুন্নমক ঙসিগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে। লোয়ননা হায়রিবা সস্পেন্সন অসি মথং থাগী ৩দগীনা ৬ ফাওবা চত্থখিগনি হায়রি।

কোর্ট অসিগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল গোলমৈ গাইফুলসিল্লুনা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর-১০৭কী মতুংইন্না কোর্ট অসিগী থবক থৌরমশিং সস্পেন্দ তৌবগী নোটিফিকেসন অসি চীফ জষ্টিসনা অতোপ্পা জষ্টিসশিংগা তানরবা মতুংদা পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না লৌখৎপনি হায়রি।

নোটিশ অসিগী মতুংইন্না ঙসি লৌখৎতুনা খন্নবগীদমক মাঙজৌনা লিষ্ট তৌখিবা মোসন মেটরশিং অদু জুলাই ২৩, ২০২১দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগনি। অদুগা মথং থাগী ৩দগীনা ৬ ফাওবগী ওইনা লিষ্ট তৌগদবা কেসশিংনা জুলাই ২৬তগী হৌরগা ২৯ ফাওবগী মনুংদা লিষ্ট তৌরগনি হায়রি। অদুম ওইনমক তঙাইফদবা অথুবা মেটরশিংগীদি মরী লৈনবা কাউন্সেলশিংনা খুদক্তা ভিদিও

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## কে আর এগী আর্মি চীফ বোদি গার্দকা কোন্নন কাপ্পুনা হাৎলম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স (সূ)গী অয়াবা থম্নরিবা কুকি রেভল্যুস্নরি আর্মি (কে আর এ)গী আর্মি চীফ অমসুং মহাক্কী বোদি গার্দপু ঙরাং নুমীদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী লুংতিন ভিলেজ দা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্লে।

লৈখিদ্রবা কে আর এগী আর্মি চীফ অদুগী মমিং জাংগিন এলিয়স জেটলি বাইতে (৪০), অপোকপা তোংপাও বাইতে

...মখা লামায় ৩ কলম ৭




HL-B/6949/27/4-25/5

### মরোল থোকপা লাই




# পোজিটিভ কেস মশীং ২৭১দা হন্থরকখ্রে, শিবগী চাংদি হন্থরক্ত্রি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোরকখিবা চেরোলদা নোংমত্তদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৩১৪নি হায়না ফোঙদোরকখ্রবসু ঙসিগী ওইনা নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মমাঙদা লৈখিবা পুং ২৪গী মনুংদা থেংনখিবা ষ্টেট অসিগী অপূনবা পোজিটিভ ওইবগী কেস ২৭১দা হন্থরকখ্রবসু লাইচৎ অসিনা শিহনবা মীওইশিংগী মশীংদি ঙরাংগা চপ মান্ননা লৈরি।



কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা হায়বদা, ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা ২৫৯না মীচম মীয়ামগী মরক্তগীনি। অদুগা ১২না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেলশিংনি হায়রি। মীচম মীয়ামগী মরক্তগী পোজিটিভ ওইরবা অপূনবা কেস মশীং অসিগী মনুংদা ১৩৪না নুপানি। অদুগা ১২৫না নুপীনি হায়রি।

হায়রিবা কেসশিং অসি থেংনখিবনা জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা ৪০, রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা ১৩, ইম্ফাল ইষ্ট -৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট-১৪, মাইপাকপী-৪, রাজ মেদিসিটি-৩৫, আর দি ৱিং-২, সী এম সী-৫, শিজ হোস্পিটাল-১১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স-৭৫, এসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স-৩০, থৌবাল-২, বিষ্ণুপুর-১০, ককচিং-১, উখ্রুল-৪, চুড়াচান্দপুর-৯, চান্দেল-৬, জিরিবাম-১ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ২নি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## চহী ১৮-৪৪ ফাওবগী মীওইশিংনা ভেক্সিনেসনগীদমক এনরোল তৌগদবনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদসু কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী খুদোংথিবশিং মায়োক্লরক্লিবা অসিগী য়েংলদুনা হৌজিক চত্থরিবা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা হিদাক কাপথোকপগী থবকশিং চত্থরক্লিবা অসিগী মথক্তা চহী ১৮দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংসু হয়েং মে ১দগী হৌরদুনা হিদাক কাপথোক্লবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবা মতুংইন্না হায়রিবা চহী অসিগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা ভেক্সিনেসন অসিগীদমক কোৱিন প্রোটেলদা এনরোল তৌগদবনি হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টোরেট অমসুং নেসনল হেল্থ মিসন, মণিপুরগী মায়কৈদগী থোকখিবা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা চহীগী

...মখা লামায় ৩ কলম ১

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**HEALTH DEPARTMENT**

**Covid Vaccination for 18-44 age groups**

Central Government has decided to expand covid vaccination to the 18-44 age group from 1' May, 2021. Vaccines for this age group are to be procured directly by State Governments' or Private Vaccine Centres from the vaccine manufacturers.

All persons in the 18-44 age group are advised to enrol in the COWIN portal. Vaccination for this age group will be bases on prior online appointment and walk-in vaccination is not permitted, as per Government of India guidelines.

Appointments for vaccination will be given online on COWIN portal as soon as the vaccines are available. Vaccination will be done at Government Vaccine Centres. Private Vaccine Centres will also provide vaccination by buying directly from the manufacturers.

Issued in public interest by
Directorate of Health Services & National Health Mission, Manipur

HL-B/6958/1